# পি এম মোদিগী পরিক্সা পে চর্চাগী মতুংদা সিতারাম য়েচুরিনা মদু থবক্কী মতাংদসু তৌনবা মঙোন্দা পাউতাক পীখ্রে




***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
নোংমগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহৈরোইশিংগা উন্নবগী থৌরম অদুগুন্না মহাক্না ‘নৌক্রি পর চর্চা’ অমা পাংথোক্কদবনি হায়রদুনা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া–মার্ক্সিষ্ট (সি পি আই –এম)গী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরিনা থবক ফংদবগী মশীং হেনগৎলক্লিবসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টতা চৈখ্রে।

ফোঙখিবা পাউ অমা পল্লদুনা মিষ্টর য়েচুরিনা নিংতম্বা ইন্দিয়াদা থবক ফংদবগী চাং খ্বাইদগী শাথিনা ফৎত্রে। মোদিনা ‘নৌক্রি পর চর্চা’ অমা শোয়দনমক পাংথোক্কদবনি, অমসুং দিমোনিটাইজেসন অমসুং ফৎতনা থৌরাং তৌখিবা জি এস টি গুম্বা মহাক্কী পোলিসিশিংনা মরম ওইদুনা মহাক্না থোকহল্লকখিবা থবক ফংদবা মীওই মিল্লিয়ন কয়াগী ‘মন কি বাত’ অদু তাগদবনি হায়খ্রে।

প্রাইভেটাইজেসন অমসুং শেনমিৎলোন লৈখা তারকখিবনা থবকশিংদা পীরিবা চৈফু হেনগৎলকখিবগী ময়োক্তা চংশিন্দুনা প্রোটেষ্ট অমদা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংদা এফিলিয়েট তৌবা ৱার্কর লিশিং কয়ানা থা অসিদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা ষ্ট্রাইক চংশিন্দুনা ট্রান্সপোর্ট অমসুং বেঙ্কিং সার্ভিসশিংদা অপনবা থোকহনখি।

এসিয়াগী ৩শুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকোনোমি অসিনা চহী দিকেদ কয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী লৈখা তাবা অদু মায়োক্নরি। চৎলিবা শেনবা চহী অসিগীদমক গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী গ্রোথ ফোরকাষ্ট অদু চাদা ৫দা রিভাইজ তৌখ্রে, মসি চহী ১১গী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্বা খোঙচৎনি। মসি দিমান্দ অমসুং প্রাইভেট ইনভেষ্টমেন্ট শোন্থরকপদগীনি।

মেনুফেকচরিং অমসুং কন্সট্রকসন সেক্টরদা মীওই লিশিং কয়াগী থবক মাঙখ্রে। শেন্দোননা পুত্থরবা কম্পেনিশিংনা মখোয়গী ইনভেষ্টমেন্ট প্লানশিং ককথখ্রে।

মুম্বাইদা লৈবা থিঙ্ক–টেঙ্ক অমা ওইরিবা সেন্টর ফোর মোনিটরিং ইন্দিয়ান ইকোনোমিনা থাদোকপা দাটা অমনা থবক ফংদবগী চাং চহী অমগী মমাঙদা চাদা ৭ ওইরম্বদগী দিসেম্বরদা চাদা ৭.৭তা হেনগৎলকখ্রে হায়বা উৎলি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ‘পরিক্সা পে চর্চা’ কৌবা থৌরম অমদা মহৈরোইশিংগা ৱারী–ৱাতাই তৌনখি। ফংগদৌরিবা ফল অদু মাঙজৌননা খঙবা ঙমদ্রবা ফাওবদা খ্বাইদগী ফজনা ফংনবা হোৎনবদগী মহৈরোইশিংনা করিগী তোক্কদৌরিবনো হায়বগী খুদম অমা ওইনা চন্দ্রয়াননা থাগী লৈমাইদা সোফ লেন্দিং তৌনবা হোৎনবদা মায়থিখিবা অদু মহাক্না পনখিবনি।

মহাক্কী ৱারোইশিন অসি পুরক্লবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মহৈ–মশিং তম্বগা ক্রিকেট মেটচশিং (মরুওইনা ২০০১গী ইন্দিয়া –অষ্ট্রেলিয়া টেষ্ট)কা অনীগী মরক্তা চাংদন্নখি। ঐখোয়গী ক্রিকেট টিমনা খুৎথীবশিং মায়োক্লখি। ৱাখল য়ান্না হন্থখি, অদুবু মদুগুম্বা মীৎকুপশিং অদুদা ঐখোয়না রাহুল দ্রাবিদ অমসুং ভি ভি এস লক্সমননা তৌখিবদু ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা কাউবা ঙমগদ্রা? মখোয়না মেটচ অদুবু অমুক মথঙ্গা ওন্থোকখি। মদুগা মান্ননা মশাদা অশোকপা অমা লৈরবা ফাওবদসু অনিল কুমব্লেনা বোলিং তৌখিবদু কনানা কাউবা ঙমগনি? মসি ৱাখল হন্দবা অমসুং মায় পাকপগী ৱাখল খনবগী শক্তি অদুনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খিবনি।

# করিগুমবা নখোয়না য়ু এনদা কেস পুখৎলবদি গ্লোবেল ন্যুক্লিয়ার দিলদগী তোক্কনি ঃ ইরান



***দুবাই, জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
করিগুম্বা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা ন্যুক্লিয়ার এগ্রিমেন্ট অমগী মতাংদা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা নোংচুপ লৈবাক্কা মখোয়গগী মায়াক্লরিবা অসিদা দিপ্লোমেসি অদু মথক–মখা ওন্থোকহনখিবা য়াবা খোঙথাং অদু য়াবা ঙম্লোই গ্লোবেল ন্যুক্লিয়ার নন–প্রোলিফরেসন ট্রিটি অদুদগী লৈবাক অসিনা তোক্লবা য়াই হায়না ঙরাং ইরাননা ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী এটোমিক প্রোগ্রামশিংদা ককথবগী খোঙথাংশিং য়াবগী মহুৎ ওইনা মলেমগা লল্লোন–ইতিক চত্থবা য়াহনখিবা, মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিংগা ইরানগা সহি তৌনখিবা ২০১৫ দিল অমা য়াওনা কোল্ড ৱার মতুংদগী গ্লোবেল ন্যুক্লিয়ার আর্মস কন্ট্রেলগী য়ুমফম অদু ১৯৬৮ এন পি টি (নন–প্রোলিফরেসন ট্রিটি) অদুনা ওইরক্লিবনি।

ইরানগা তৌনখিবা ২০১৫গী ন্যুক্লিয়ারগী য়ানরোল অদুগী মরাইবক অদু য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা তোকখিবা অমসুং ইরানগী মথক্তা সেঙ্কসনশিং অমুক থমজিনখিবদগী চিংননিঙাইগী ফিভমদা লৈরকখি। য়ু এসকী থবক খুৎতৌ অদুগী পাউখুমদা ইরাননা ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদা তৌগনি হায়খিবা ৱাশকশিং ঙাকপা তোকখি, ঙাকপা হন্থখি।

বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং জর্মনিনা হৌখিবা চয়োলদা ২০১৫ দিল অদু ইরাননা থুগাইরে লাওথোকখি অমসুং ৱাথোক অদু সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা অমুক হন্না থাবা য়াবগী ফিভমদা খৎনবগী মওং অমা পুথোকখি। মদু চত্থরকপা তারবদি ইরানগী মথক্তা য়ু এন সেঙ্কসনশিং অমুক থমজিল্লক্কদৌরিবনি।

করিগুম্বা য়ুরোপিয়ান লৈবাকশিংনা মখোয়গী লিচৎ অদু মখা চত্থরবদি নৎত্রগা ইরানগী ফাইল অদু সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা থারবদি ঐখোয়না এন পি টি অদুদগী তোক্লগনি হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জাভাদ জারিফনা ফোঙদোকখ্রে হায়না আই আর এন এ অমসুং অতৈ ইরানগী ন্যুজ এজেন্সিশিংনা ফোঙখি।

এন পি টি অদুদগী তোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদসু ইরাননা অতোপ্পা খোঙথাং কয়ামরুম থাঙ্গৎপা য়াই হায়না খোঙথাংশিং অদু মরিক চুন্না ফোঙদোক্তনা মহাক্না হায়খি।

ন্যুক্লিয়ারগী খৎনবা অসি ৱাসিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা হন্দক মিলিটরিগী মায়োক্নবা অমা ওইরকখিবা অদুগী হৌরকফমনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, রসিয়া, চিনা, বৃটেন অমসুং ফ্রান্স নত্তনা মেম্বর ১৯০ লৈবা এন পি টি না মসিদা সহি তৌরিবা লৈবাক অতৈবু ন্যুক্লিয়ারগী খুৎলাই পায়বা, শাবদগী অথিংবা থম্মি।

হৌজিক ফাওবদা এন পি টিদগী তোক্লে লাওথোকখ্রবা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক অদুদি নোর্থ কোরিয়ানি। লৈবাক অসিনা ইন্টরনেসনল ন্যুক্লিয়ার ইনস্পেক্টরশিং তান্থোক্লকখি অমসুং ফোঙনা এটোমিক খুৎলাইশিং চাংয়েংখি।

ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই পায়বা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানসু এন পি টিদা সহি তৌদে নৎত্রগা ইজরেলসু তৌদে। ইজরেলনা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাইশিং লৈ হায়না পাকশন্না লৌনরবসু লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদু লৈবাক অসিনা করিমতা হায়দে।

হান্নগী ২০১৫গী ন্যুক্লিয়ার দিল অদুগী মহুৎতা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অনৌবা দিল অমা, বৃটেননা ‘ট্রম্প দিল’ হায়রিবা অমনা মহুৎ শিনবা হায়বদু ইরাননা কন্না য়ানিংদে।

মহাক্কী মমাঙদা লৈরম্বা বরাক ওবামাগী মখাদা তৌনখিবা দিল থুগাইদুনা ৱাশকশিং থুগাইবা ট্রম্পকা ইরাননা নেগোসিয়েট তৌনরোই হায়না ট্রম্প দিল অমা ইরাননা য়াদে হায়বদু ইরানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই অববাস মৌশাবিনা অমুক্কা হন্না হায়খি।

# লন্দনদা কন্ট্রেককী শেন য়েন্নবগী মতাংদা সিখ ৩ শিখ্রে

***লন্দন, জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
লন্দনদা সুপ্নগী খুৎথা অমুক্তদা থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবা সিখ নুপা ৩ অদু কন্ট্রেককী শেনফমত্তঅমগী মতাংদা য়েৎনরকখিবা অমদা হাৎখিবনি হায়রি।

থাঙনা থিনবগী থৌদোক অদু ইলফোর্দকী *সবেন কিংস* ষ্টেসনদা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবনি অমসুং মদুদা শোকপদগী লৈখিদবা মীওইশিং অদু হরিন্দর কুমার (২২), নরিন্দর সিংহ (২৬) অমসুং বালজিৎ সিংহ (৩৪)নি হায়না য়ু কেগী নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউ–চে মেট্রোনা পাউ অমদা হায়িখি।

কন্সট্রকসনগী থবক অমদা ফংফম থোকপা শেনফমগী মতাংদা খৎনরকপদগী মখোয় অদু শিখিবনি হায়না রিপোর্ট অদুনা মখা তাখি।

মরক অসিদা তুজুংনিঙাই ওইরবা থৌদোক অদুদা চৈন্নে চিংনবা সিখ নুপা ২ ফাখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না সিখ মীওইশিংগী খুৎপুশিংগী মরক্তা খৎনখিবদু কোন্না শাথিনা হাৎনবগী খুৎ থোক্লবা অমা ওইনা ওইরকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা থৌদোক মফম অদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ সুপরিন্টেন্দেন্ট ক্লেমেননা মীহাৎপগী চিংনবদগী ফারবা মীওইশিং অমসুং লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু লোয়নমক অমগা–অমগা শকখঙনবা ঙাক্তনি হায়খি। মী খুৎপুশিং অদু সিখ কম্যুনিটিগী মীওইশিংনি থাজে হায়না ষ্টেফেন ক্লেমেন্টকী ৱাফম পল্লদুনা পাউ–চে অদুনা হায়খি।

# সাইবেরিয়া খুন্দা মৈ চাকপদা থবক শুবা ১১ শিখ্রে

***মোস্কো, জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
সাইবেরিয়াগী টোমস্ক রিজনদা মনুং হঞ্জিনবা খুঙ্গং অমদা মথোল অমগী উনা শাবা শঙ অমদা মৈ চাকখৎলকখিবদগী উজবেক ৱার্কর ১০ য়াওনা মীওই ১১ শিখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মীওই ১১গী হকচাংশিং অদু ফংলে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা রসিয়াগী ইমর্জেন্সিস মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে।

অহানবা ফংবা পাউ পল্লদুনা রিজনেল ওথোরিটিজনা লৈখিদ্রবশিংদুগী মনুংদগী ১০ উজবেকিষ্টানগী সিটিজনশিংনি হায়খি।

প্রিচুলিমস্কি সেট্টলমেন্টতা লৈবা লনাইগী সো মিল অমগী ইংখোল মনুংদা মৈ অদু চাক্লকখিবনি। মীনা লৈবদা মতিক চাদ্রবা ফাওবদা থবক শুবা মীওইশিংগী লৈফম ওইহল্লিবা উনা শাবা মথোল অমগী শঙ অদুসু মৈ চাক্লকখি হায়না ওথোরিটিজনা হায়খি।

অৱাবা থৌদোক থোকফম অদুদা রিজনেল গভর্ণরসু থুংলখ্রে অমসুং লমদম অদুগী মফম পূন্নমক্তা ফয়ার সেফটি ইনস্পেক্সন অমা চত্থনবা ওফিসিয়েলশিংদা থবক শিন্নখ্রে।

থৌশাদবদগী মীশি–মীনা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মখোয়না ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থনবা থবক পায়খৎলে হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা হায়খি।

ময়াই থংবা এসিয়াদগী ময়ুম থাদোক্লগা থবক শুবা লাকপা মীওই মিল্লিয়ন কয়ানা রসিয়াদা লৈ অমসুং মখোয়না অয়াম্বা মতমদা অনেম্বা শেনফমদা খুৎনা শুবা থবকশিং শুই।

# বাঘদাদতা য়ু এস এম্বেসি মনাক্তা রোকেট ৩ কাপশিল্লকখ্রে

***বাঘদাদ, জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
ইরাক কোনুং বাঘদাদকী অৱাংবা থাক্তা চেকশিন্না ঙাকশেন্নদুনা থল্লিবা গ্রীন জোনদা য়ু এস এম্বেসিগী মনাক্তা রোকেট ৩ কাপশিল্লকখ্রে হায়না সেক্যুরিটি লিখুলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। এটেক অদুদা মীশি–মীনা থোকপগী পাউ খুদক্তা লৈত্রি। রোকেটশিং হেক তারকখিবগা জোন অদুগী মফম পূন্নমক্তা খুদক্তা সাইরেনশিং খোংখি হায়রি।

# কেরলাদগী লম কোয়বা চৎপা ৮ নেপালদা শিখ্রে

***থিরুভনন্তপুরম,***
***জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
দুবাইদা লৈবা ইমুং অমগী মীওই ৫ য়াওনা নেপালদা লম কোয়বা চৎপা কেরলাইটস (কেরলা মচা) ৮ ঙরাং নুমিদাং লম কোয়ফম অমদা থোকপা খুদোঙথিবা থৌদোক অমদা শিখ্রে। পুন্না কেরলাদগী মখোয় ১৫ চৎখিবনি। শিখিবশিং অদুদা অঙাং ৪সু য়াওখি। মখোয় অদু ইমুং ২দগীনি, ইমুং অমনা কোঝিকোদকী কুন্নামঙ্গলমদগীনি, অতোপ্পা ইমুং অদুনা থিরুভনন্তপুরমগী চেনকোত্তুকোনমদগীনি।




মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফিয়ারস ভি মুরলিধরনগী ওফিসকী মতুং ইন্না খুদোঙথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুদি, প্রবিন কুমার (৩৯) অমসুং সরানিয়া (৩৪)না মখোয়গী মচা ৩–শ্রীভদ্র (৯), অভিনব সূর্য্যা (৯), অভি নায়র (৭) লোয়ননা জ্ঞান মাঙদুনা তাদুনা লৈরমখি। মখোয় দুবাইদা লৈবনি। রঞ্জিৎ কুমার টি দি (৩৯) অমসুং ইন্দু রঞ্জিৎ (৩৪)না মচানুপা বৈস্নব রঞ্জিৎ (২)কা পুন্না শিখি।

মখোয়গী অশিবা হকচাংশিং অদু হৌজিক কাথমান্দুনা হোস্পিটাল অমদা থমখ্রে। প্রবিন অমসুং মাগী ইমুং অসি থিরুভনন্তপুরদগীনি অদুগা রঞ্জিৎ অমসুং মাগী ইমুং–মনুংনা কোঝিকোদতগীনি।

লম কোয়বা চৎপা খোঙবু অসিগী মীওইশিং অসি নেপালগী মকাৱনপুর দিষ্ট্রিক্টকী দমানদা লৈবা ইভরেষ্ট পনোরমা রিসোর্টতা ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা জ্ঞান মাঙদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি।

ওখারা য়েংবা চৎলুরবা মতুং হল্লকপগী লম্বীদা মখোয়না ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.৩০ তাবদা হিমালয়া পনোরমা রিসোর্ট অদুদা লৈখি। মফম অদুদা মখোয় জ্ঞান মাঙদুনা লৈরম্বা অদুদগী মখোয়বু প্লেননা কাথমান্দুগী ঐচ এ এম এস হোস্পিটালদা পুখি। অদুবু কাথমান্দুগী হোস্পিটাল অদুদা থুংলখিবদা মখোয় শিরে হায়না লাওথোকখি। ইন্দিয়ান এম্বেসিগী ওফিসিয়েলশিংনা হোস্পিটাল অদুদা খুদক্তা চৎখি অমসুং মফমদুগী দোক্টরশিংনা মখোয়গী মতাংদা ৱা খন্নখি। মীওই ৮ অদুনা শিখিবগী মরম অদু মখোয়না লৈরিবা কা অদুগী মনুংদা শিজিন্নরিবা গ্যাস হিটর অদুনা শ্বর ফুলহনবদগী ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। লৈখিদ্রবশিং অদুগী মনুংদগী মীওই ৮ কা অমদা লৈখি। অদুগা অতোপ্পা মীওই ৭ অমনা থংনবা কা অমদা লৈখিবনি।

রিসোর্ট অদুগী মেনেজরগী মতুং ইন্না লৈননবা থুংলখিবা মীওইশিং অদুনা পুন্না কা ৪ বুক তৌখ্রবসু মখোয় ১৫গী মনুংদগী ৮না কা অমদা লৈখি। অতোপ্পা ৭ অদুনা অতোপ্পা কা অমদা লৈখি। মখোয় ৮না লৈবা কা অদুগী থোঙ অমসুং থোঙনাওশিং অদু লোয়নমক মনুংদগী সো লোনশিনখি। খুদোঙথিবা থৌদোক থোক্লিবা কা অদুদা লৈখিবা মীওইশিং অদুনা চীংগী লমদম অসিগী অঙৈংবদগী মখোয় মশাবু শাগৎহন্নবা গ্যাস হিটর অমা শিজিন্নখিবনি হায়না মেনেজরনা হায়খি। গ্যাস হিটর অদুদগী গ্যাস লিক ওইবদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবা ওইগনি হায়রি। মখোয় লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখিবা কেরলাগী চীফ মিনিষ্টর পিনারয়ী বিজায়ননা খ্বাইদগী অথুবা মতমদা হকচাংশিং অদু কেরলাদা পুরক্নবা থবক লৌখৎলে হায়খি।

হেক ঙল্লিবা মখৈ থুনা হকচাংশিং অদু পুরক্লবগী থৌরাং তৌনবা চীফ মিনিষ্টরনা নোরকা (দিপার্টমেন্ট ওফ নন–রেসিদেন্ট কেরালাইটস এফিয়ারস)দা পাউতাক পীখ্রে।

# চিনাগী অতৈ সিটিশিংদসু অনৌবা ভাইরস শন্দোক্লকখিবদগী ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ইমর্জেন্সি মীফম কৌখ্রে

***বৈজিং, জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
অনৌবা কোরোনাভাইরস অমা চিনাগী কোনুং বৈজিং অমসুং সাংহাই য়াওনা অতৈ সিটি কয়া অমদসু শন্দোক্লকখিবদগী ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ইমর্জেন্সি মীফম অমা কৌখ্রে।



শন্দোরক্লিবা লাইচৎ অসি শাথিনা নুংনাংনিঙাই ওই। তম্বা ঙমদবা অমসুং অহোবশিং লৈরি, অদুবু মসি মীদগী মীদা শন্দোকই হায়বসিমদি হৌজিক ময়েক শেংলে হায়না লৌনগনবা লায়না শন্দোকপগী মতাংদা স্পেসিএলিষ্ট অমা অমসুং ৱেলকম ট্রষ্ট গ্লোবেল হেল্থ চেরিটিগী দাইরেক্টর জেরেমি ফররানা হায়খি।

লাইচৎ অসিগী অহানবা হৌরকফমদি এনিমেল অমদগী খ্বাইদগী হেন্না ওইরমনিঙাই লৈ হায়না ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না ঙরাং হায়খি।

মসিগী মথক্তা মীগা মীগা য়ান্না কক্লিনরবদি অককন্নবা চাংদা মীদগী মীদা লৌনবগী থৌদোক খরসু থোকই হায়খি।

লাইচৎ অসি ইন্টরনেসনেল হেল্থ ইমর্জেন্সি অমা ওইগদ্রা অমসুং মসি থেংননবা করি খোঙথাংশিং লৌখৎকদগে হায়বদু লেপ্পনবা হয়েঙ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইমজেন্সি কমিটি মীফম অমা পাংথোক্লবা জিনেভাদা লৈবা য়ু এন এজেন্সি অসিনা কৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ঐচ দব্লিয়ু ওনা লল্লোন–ইতিক্কী নৎত্রগা চত্থাক–চৎশিনগী অথিংবা থন্নবগী রিকমেন্দ তৌদ্রি। অদুবু ইন্দিপেন্দেন্ট এক্সপার্টশিংগী কমিটি অমনা লাইচৎ শন্দোকপা অসি থিংনবা রিকমেন্দেসনশিং তৌবা য়াই।

হৌজিক ফিভম অসিদগী চিনাদগী লাকপা এয়ার পেসেঞ্জরশিং অনৌবা কোরোনাভাইরসকীদমক স্ক্রীন তৌখ্রে। শ্বর হেনবদা শোকহনবা ভাইরস অসিদগী চিনাগী ৱুহান সিটিদা মীওই ২ শিখ্রে। ৩শুবা মীওই অমসু শিখিবা লোয়ননা অনাবা মশীং শরুক ৩ হেনগৎলকখিবদগী লাইচৎ অসি লাকশিনবা অমসুং মীওইবগী পুন্সি কনবনা খ্বাইদগী মরুওইবা থবক অমনি হায়না চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা হায়খ্রে।

হৌজিক চয়োল অসিদগী হৌগদৌরিবা চিনাগী লুনার ন্যু ইয়ার হোলিদে মনুংদা চাইনিজ মিল্লিয়ন চা কয়ানা লৈবাক মনুংগী ওইনা অমসুং মপান লৈবাক্তা চত্থোক–চৎশিন তৌগদৌরিবনা লাইচৎ অসি লাক্সিনবদা খুদোঙথিবশিং অদু অমুক্কা হেলহনগদৌরি।

মালেমগী অকোয়বদগী ওথোরিটজনা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং এসিয়াগী লৈবাক কয়া য়াওনা করি লায়নানো হায়বা চপ চানা মশক খঙবা ঙমদ্রিবা লায়নাদু অহানবা থোক্লকখিবা চিনাগী ময়াই থংবা সিটি ৱুহানদগী লাকপা মীওইশিং স্ক্রীনিং তৌবা কনখৎখ্রে।

ঙরাং মফমদুগী মতমদা নুংথিল পুং ৬ ফাওবদা চিনাদা ভাইরস অসিদগী নৌনা নারকখিবা মীওই ২১৭ শুরে হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে হায়না ষ্টেট টেলিভিজননা হায়খি। মীওইশিং অদুগী মনুংদগী ১৯৮তি ৱুহানদগীনি।

ভাইরস অসি সেভিয়ার ইক্যুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (এস এ আর এস) হায়বা ২০০২, ২০০৩দা মদুসু চিনাদা শন্দোকপা হৌরকখিবা মালেমগী ওইনা মীওই ৮০০ রোম হাৎখ্রবা কোরোনোভাইরসশিংগী চপ মান্নবা ফেমিলি অদুগীনি।

# ৱান নেসন, ৱান রেসন কার্দ জুন ১দগী চৎনরগনি

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
গভর্ণমেন্টকী অচৌবা আশা অমা ওইরিবা ‘ৱান নেসন, ৱান রেসন কার্দ’কী খোঙথাং অদু জুন ২০২০দগী লৈবাকসিগী মফম পূন্নমক্তা চৎনরগনি হায়না ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পস্বাননা লাওথোকখ্রে।

মসিগী ফেসিলিটি হৌজিক ষ্টেট ১২দা ফংলে। থৌওং অসিগী মখাদা কান্নবা ফংলিবশিংনা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট (এন এফ এস এ)গী মখাদা মখোয়গী ফংফম থোকপা চিঙ্গাক অদু চপ মান্নবা রেসন কার্দশিং অদু শিজিন্নদুনা লৈবাকশিং অদুদা লৈবা ফিয়ার প্রাইস সোপ অমদগী হেক্তা ফংবা য়ারগনি।

ইলেক্ট্রোনিক পোইন্ট ওফ সেল (ই–পি ও এস) দিভাইসশিংদা আধার ওথেন্টিকেসন তৌরগা বিনিফিসরি অদু ভেরিফাইদ তৌগনি। খুদোঙচাবসি হৌজিক ফংলিবা ষ্টেট ১২ অদুদি অন্দ্র প্রদেশ, টেলঙ্গানা, মহারাষ্ট্র, গুজরাত, কেরলা, করনাতকা, হরিয়ানা, রাজস্থান, ট্রিপুরা, গোৱা, ঝরখন্দ অমসুং মধ্য প্রদেশনি। ওফিসিয়েল দাটাগী মতুং ইন্না এন এফ এস এগী মখাদা বিনিফিসরি ক্রোর ৭০ রোম কোনশিনখ্রে।

# এম এল এ সুরিন্দর সিংহ আম আদমি পার্টিদগী তোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
দিল্লি এসেমব্লিগী ফেব্রুৱারি ৮দা পাংথোক্কদৌরিবা মীখলগীদমক টিকেট পীখিদবা আম আদমি পার্টিগী এম এল এ সুরেন্দর সিংহনা পার্টি অদুদগী মহাক তোক্লে হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ত্বিটরদা মাগী পার্টিদগী থাদোকপগী চেরোল অদু থাগৎতুনা ঙসি ঐহাক ৱারে অমসুং আম আদমি পার্টিদগী ঐহাক ফম থাদোক্লে হায়না মহাক্না হায়খি।

# খুৎ থোক্লবদা আর্মি জৱান ১ অমসুং এস পি ও ১ শিখ্রে

***পুলৱামা, জনুৱারি ২১(এজেন্সি)ঃ***
পুলৱামাগী অৱান্তিপোরাদা খুৎ থোক্লবা অমদা জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী স্পিসিয়েল পুলিস ওফিসার (এস পি ও) ১ অমসুং ইন্দিয়ান আর্মি জৱান ১ শিখ্রে।

খুৎ থোক্লবা অদু ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তগী হৌখিবনি। হৌজিক মখা তাবা মপুং ফাবা পাউ ঙাইহরি।

# মণিপুরগী এম পি, আর কে রঞ্জন অচুম্বা উদবা মীয়ামগী য়েক্লবা...

লমায় ৩ গী মখা... লৈঙাক্লাঅরানবা তৌরক্লবা নৎত্রগা তৌফম থোকপা তৌরক্ত্রবা মতমদতা থোরকপনি হায়বসি এম পিনা খঙজিনবিবা মথৌ তাই। নহারোলশিংনা আই এল পি তাল্লকপসু ফুরুপকী কাঙখুল মুৎখিগদৌরে হায়বগী অকিবা লৈরবা মতমদতা তৌরকপনি। মদু অহল–লমননা ৱারকখিদবগী নত্তে। আই এল পি পীরকপা মতমদা বি জে পিসু হরাওবনা মথোই কাদুনা থাবল চোংখিবনি। সি এ বি পাস তৌরক্লবদি ঐখোয় মীতোপনা থুমহৎখ্রগনি হায়বগী অকিবা লৈরক্লবা মতমদা নহারোলনা লমজাউ শোরোত্তঃা থোত্তুঃনা এজিটেসন তৌরকপনি। সি এ এ চৎনদবদা বি জে পিদি হরাউদবগুম তৌরি, ঙরাংদি হরাউখি, ঙসিদি হরাউদ্রে হায়রি।

এম য়ুদা ভি সিনা অরানবা তৌরক্লবা মতমদা মহৈ তমজবা মহৈরোইশিং, ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংনা থা ৫ হেন্না ইরাং হৌরকপনি। লাইরিক–লাইশু হৈদৌখে হৈরবা ওজাশিংনা ইরাং হৌখিবদু মখোয় লোয়না মমা–মপানা ৱারত্তঃবা ওইদৌরিব্রা? মদু অহল–লমননা ৱারক–ৱাতেমবা ৱাংখিবগী নত্তে। বি জে পিনা ইরাং অদু নমথনবা ফনা কন্না হোৎনজরবসু ঙমখিদবনি। হৌজিকসু বি জে পি লৈঙাক্লা ইরাং বার্তোন তৌরি। চৎলিবা কুমজা ২০২০ গী জনুৱারি ১ দগী চৎনখ্রবা আই এল পিগী রুল শেম্বদা ইন্দিজিনস পিপল কনানো, পার্মেনেন্ট রেসিদেন্যনা কনানো হায়বা ৱাহন্থোক পীদে হায়রি।

এম পি রঞ্জনহোইগী লৈঙাক্লা শেন্নিবা রুল খুৎশেম অসিবু করম্বা লৈবাক্তা চৎনবগে হায়বসি এম পিনা তাকপিরক্লবদি নুংঙাইজগনি। লো শেম্বা মতমদা মী হাৎপগী মরমদা ওইরবসু, রেপকী মরমদা ওইরবসু, হুরানবগী মরমদা শেন্নবসু ইহা হানবদা ৱাহন্থোক্লা হৌবা ঙাক্তনি। বি জে পি লৈঙাক্কী আই এল পিগী রুলদদি ৱাহন্থোক পীদনা হৌরি। মসি এজিটেসন বার্তন তৌবা নত্তবরা? মহৈরোইশিংনা লৈঙাক্তা অৱাৎপসি মেনখৎলু হায়না দিমান্দ তৌদুনা চে পীশিনখ্রে, মতম থাখ্রে, অদুবু লৈঙাক্তি করিসু নাচুংদনা তুপ্লি।

হয়েং মতম হেন্দোকখিদুনা এজিটেসন তৌরক্লগদি অহল–লমননা ৱারকপা ৱাৎপগীনি হায়রক্কদৌরি। অঙকপবা লোজিকনি। এম পি রঞ্জনহোইগী পার্টি বি জে পিনা এজিটেসন অমসু বার্তন তৌরি। ইন্দিয়াগী মফম পূন্নমক্তা সি এ এগী মায়োক্তা এজিটেসন হৌরি। মসিগী ওন্ন–তৈনবদা বি জে পিনা সি এ এ সপ্পোর্ট তৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লি। আই এল পি চৎনবা ষ্টেটশিংদদি সি এ এ চঙলরোই হায়না সি এ এ দা ইরবনিনা মণিপুরদদি সি এ এ চৎনররোই হায়দুনা মণিপুর মীয়ান্নদি সি এ এগী মায়োক্তা হৌবা ঈহৌ অদু তোকখ্রে। বি জে পিসু হরাও–মথোই কাখিবনি হায়নসু হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, সি এম মক্না মণিপুর কনবসি বি জে পি খক্তঃনি হায়খিবনি। তাঞ্জা অসিদা বি জে পিনা ‘ৱি সপ্পোর্ট সি এ এ’ হায়না থাবা প্লেকার্দ পায়দুনা খোঙচৎ কয়ামরুম শীল্লক্লি। কোক বেরা লৈবসু মাল্লি। মণিপুরদা চৎনদ্রবা সি এ এ চৎনগদবনি হায়না দিমান্দ তৌবা ঈহৌ শাগৎপসু মাল্লি। মসি নহারোলগী ঈহৌ। এজিটেসন বার্তন তৌবনি। মসিগী মায়োক্তা নহারোলগী এজিটেসন লাক্লবদি মদু অহল–লমননা ৱারকপা ৱাৎপগী নত্তে, বি জে পিনা কোক থাদবা ৱাৎপগী ৱানি, মপুনা য়ানবা কারন তাবগী পোত্থোকনি।

হৌজিক তৌফম থোকপা কয়া অমসু তৌদ্রি। খুদম অমা ওইনা চহী ৬ কী মমাঙদা লাউথোকখিবা লুপা ক্রোর ১০০ সু কায়থোকখ্রবা নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অদু কদায় য়ৌখ্রবগে খঙদ্রি। বি জে পি লৈঙাক্কী থৌদৌ অসি অসুন্না তৌগল্লি। লাউথোকপনা শংবাইনি, তৌবনা মেরুকনি। মসিনসু এজিটেসন অমা বার্তন তৌরি। পূন্নমক অসি অমত্তা খঙদনা এম পি রঞ্জননা ইরাং হৌরিবসি অহল–লমনদা তায়শিল্লগা মশা লৈথোকখিবা অসি খঙনা খঙনা মীয়াম্বু মীনম্বনি। এক্তিভিষ্ট অমসুং ইন্টেল্লেকচুয়েল ওইনা হৌরকপা আর কে রঞ্জননা অসুক থাক নেমথখিবসি করিনা থমায়খিবগীনো?

লৈবাক অসিগী লোনা য়াদে হায়না লাউথোকখ্রবা লূপ অনীগী অপূনবা চেরোল অসিনা হায়, এম পিগী ৱারোলশিং অসি অচুম্বা লোৎশিনবা, মীয়াম্বু মীনম্বা, মপুনা চান্নবা ঙাংবা অমদি খঙবা ৱাৎপদগী থোরকপা ৱাঙাং ওইরে হায়বসি চুম্লবনিনা ৱাফম অসিদা মহাক্না শেংদোকফম থোকই অমদি হায়খিবশিং অদু চুম্মী হায়না প্রমান তৌবা ঙমদ্রগদি মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-364**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | 9 | 2 | 3 | 1 | | |
| 4 | | | | | 7 | | 3 | 5 |
| | 1 | 7 | | 4 | | | | 2 |
| 2 | | | | 1 | | 7 | | |
| | 6 | 1 | 7 | | | | | |
| 7 | | | 6 | | | | | 1 |
| 1 | | | | | 9 | 4 | 2 | |
| | | 2 | | 6 | | | | 7 |
| | 7 | | | 3 | | | 6 | |

**GAS TODAY**
Imphal LPG Service
Stk : 19kg 169 / 5 Kg Available
Time : 08.30 a.m.

**সনা–সুদোকু–৩৬৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 3 | 6 | 1 | 9 | 4 | 7 | 2 | 8 |
| 2 | 7 | 4 | 3 | 5 | 8 | 1 | 6 | 9 |
| 9 | 8 | 1 | 2 | 7 | 6 | 5 | 3 | 4 |
| 1 | 4 | 5 | 9 | 8 | 2 | 3 | 7 | 6 |
| 7 | 6 | 2 | 4 | 3 | 1 | 8 | 9 | 5 |
| 3 | 9 | 8 | 5 | 6 | 7 | 4 | 1 | 2 |
| 4 | 5 | 3 | 7 | 2 | 9 | 6 | 8 | 1 |
| 6 | 2 | 7 | 8 | 1 | 5 | 9 | 4 | 3 |
| 8 | 1 | 9 | 6 | 4 | 3 | 2 | 5 | 7 |